# মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈ অমদি খোঙথাং - ২

- নানি



মণিপুরদা ফিল্ম পুথোকপীনবা মী মশীং য়াম্না থোরক্লম্মী। চহী অমদা ফিল্ম ৭০ হেন্না পুথোক্লে হায়দুনা য়াম্না হরাওরম্মী। ৱাফম অসি মপানগী মীদা পল্লুবদা থবাক য়ৈদুনা অঙকপা ফাওনখি। করম্না পীকখ্রবা মণিপুরদা চহী অমদা ফিল্ম ৭০ হেন্না পুথোক্লিবনো? ফিল্মশিংদু কদায়দা উৎলিবনো, কনানা য়েংলিবনো? মখোয়গী মার্কেট অসি কমদৌবনো? ৱাহং মনম মনম লাকখি। অদুনা মপানগী মীদা ফিল্মগী ৱারী শারুদৌবা তল্লি, মীনসু হংলকপদা লৈ লৈদুনা পাউখুম পীদনবা ৱা থৈদুনা লাকখি। অদুবু ঐখোয় স্বাইদদি ফিল্মগী থৌমীশিং য়াম্না হরাওনখি। ফিল্ম পুথোক্লবগী মহুরট হায়গেরা, য়াইফ থৌনি থৌরম হায়গেরা নোংমদা মশীং য়াম্না তৌনরম্মী। ফিল্মগা মরী লৈনবশিং অদুগুম্বা থৌরমদু য়াওনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মসিগা চপ মান্নরা লম্পাক্তা, সিনেমা হোলদা খিতং মী য়াম্না তীনবা হায়রগনা বোটতা রিলিজ তৌনবগী থৌরম অসিসু চপ মান্ননা কুংনা তৌরম্মী। বোটতা সিনেমা রিলিজ তৌনবগী বুকিং অসি থা অমা অনীগী মমাঙদগী ফুল ওইদুনা লৈনরম্মী। অতোপ্পা থৌরম অমগী হায়রুবদা শংনরমদে। কয়াদা কনখ্রবা ঈহৌনো? ঈহৌ অদু কয়া য়াম্না চুম্বগে, নৎত্রগা কয়া য়াম্না ফৈনা চৎলবগে হায়বা কনানসু থিখিদে, হংনখিদে, পংহাদা হরাওনরম্মী। ফিল্ম য়াম্না পুথোক্লে হায়বসিদা ফিল্ম কুম্বসু, নম্বসু, পুথোকপসু নাপল য়াম্না ৱাংনা খন্নরম্মী।

তশেংবগীদি মতম অদুদগী হৌখ্রবনি ফিল্মগী খোঙচৎ অসি লাননা চৎপা হৌখিবসি। হিন্দী ফিল্ম থিংখিবদগী মণিপুরী ফিল্ম য়েংবা ফংদ্রে, পুথোক্লদ্রে হায়বগী তাল্লক অদুদা লুপা লাখ অমত্তনা ফিল্ম নম্বা য়ারে, খরা ফজহনগে হায়রগনা লুপা লাখ অনী অহুমগা চঙলদি ফজরনি হায়না খন্নবা মতম অমা লৈখি। মতমদুদনি, কনাগী মী পুম্নমক্না মশা-মশাগী মরন্নাই ওইবা ইন্টরেষ্টতা ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনরকখি। মদুনা অকায়বা কয়া অমসু থোকখিদবা নত্তে। মতমদুদা এক্টরসু অতৈ লোয়নমকসু শেলগী ৱা ইখন খন্নরমদে। পীরসু খরা খজিক মঙাই। থোইদোক্না মন্তিক্লবা তৌনরকখিদে। কুইদে, খরা লৈরগদি শেলদা মমিৎ লোইনা থম্নরক্তনা এক্টরসু অতৈসু লোয়নমক ফিল্ম অমগী হায়নবা লাকপদা শেল ওইনা হায়নখি। ফিল্মদুগী মরমদা, ৱারীনা কমায় তৌবা, রিহার্সেলনা কমদৌবা, দিরেক্টরগী ৱাখলনা করিনো, ফিল্ম অসিদা ঐনা করি হায়না তৌগদবনো হায়বা সিরিয়স ওইবা ৱা অমত্তা হায়নদনা অরৈবা ৱারী অমদা হেক্তা পুথোক্লরকখিবা অসিনা ফিল্মগী অশেংবা সিরিয়সনেস অদুগী ময়েংদি নীংথিনা তাখি। হৌজিকসু ফিল্ম পুথোকপা লেপত্রি। অদুবু হান্নগুম্না অদুক য়াম্না পুথোকপদুদি ওইদ্রে। প্রদ্যুসর অমনা ফিল্ম হান্না হান্না পুথোকপগী চাং অদুদি খরা হন্থরে। অমা অনী পুথোক্লম্লগা লেপখিবসু য়াওরে। মসিগী মরম করিগীনো থোইনা থিরুবগী কান্নবা লৈতে। শেল মাঙবদগী ওইবা য়াই, মতম শংদবদগী ওইবা য়াই, ফিল্মগী মরমদা কুপ্না খঙদনা মীনা তৌনৈ হায়দুনা তৌরুবদগী হৈনরক্তবসু ওইবা য়াই। অহৌবদা ফিল্ম মশীং য়াম্না পুথোকপা পাম্নরম্লবসু হৌজিক্তি ফিল্মগী ক্বালিটি হায়বা অদু য়েংদবা য়ারক্তে। ফিল্ম য়েংবীনবা লৈরিবা খূদিংমক মওং মরিল তাদবা ফিল্ম কনাসু য়েংনিংদে। ফিল্ম হায়বা অসি য়াম্না সিয়িরস ওইবা আর্ট অমনি। মসিবু ইখঙ খঙদবা অমনা হেক্তা ফিল্ম নম্লিংই হায়দুনা নম্বা অসিনসু মসিগী খুদোংচাদবসি থেংনরবিনি।

আর্ট অমদি টেক্নোলোজি অনীগী অপূনবা পোত্থোক অমা ওইনা পুথোক্লরিবা ফিল্ম অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই হায়বসিমদি ইনৌ নৌনা অমুক পল্লুবগী কান্নবা লৈত্রে। ফিল্ম পুথোকপসু, দিরেক্টরসু, এক্টরসু, কেমেরামেনসু



লোয়নমক্না আর্ট অমদি মসিগী এস্থেটিক্স অসি মুনা খঙবা মথৌ তাই। ফিল্ম অমনা মীয়াম খুন্নাই হুপ্পা পুনিংবা মায়কৈদা পুবা ঙম্বা ওইবনিনা মসিগী সিরিয়সনেস অসি খঙনা ঐখোয়না ফিল্ম অমগী ৱারী ইবদা, ফিল্ম নম্বদা, ফিজেৎ লৈতেংদা, আর্টিষ্টিক ওইবা মওংদা শেমদুনা লাক্কদৌরিবা খুন্নাই অসিগী মমি অমা তম্বা চুম্মী। ঐগী অপাম্বনি, শেল ঐনা পুথোক্লগা নম্বনি হায়দুনা পংতৌদা তৌশিনবা হায়বসিনা তুংদা য়াম্না কায়রক্কদবা অমদি ঐগী অপাম্বা অদুখক্কী য়েংলগা তৌরবদি য়াম্না অরানবা খোঙথাং ওইগনি নীংই। হৌজিক ফিল্ম পুথোক্লরিবা পুম্নমকশিং অসি মণিপুরী ফিল্মবু নুংশিজবা অমদি মণিপুরী ফিল্মগী ওইনা লৈরিবা পুৱারীনা তরাম্না ওক্লি। তৌবতবু মখোয়গী অপাম্বসি করিনো হায়বসি নৈনদবদি য়ারোই। ফিল্ম পুথোক্লিবশিংনা ফিল্মগী কাঙলোনশিং ফিল্ম অমগী কাঙলোন অসি য়াম্না মুন্না খনবীবা মথৌ তাই। ফিল্ম হায়বসি করিনো খঙদনা ফিল্ম পুথোকপা নম্বা হায়বসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইইনি। ফিল্ম অমনা লৌরিবা থৌদাং অসি অহানবদা করিনো হায়বসি মুন্না খঙবীবা মথৌ তাই। করি মরমগীদমক ফিল্ম হায়বসি মীয়ামগী সেন্টিমেন্টকা য়াম্না নক্লবা মীদিয়া অমনি হায়না লৌরিবনো? ফিল্ম হায়বসি শুপ্নতগী ইন্টরটেনমেন্ট খক্তমক উবনা কয়া য়াম্না কায়বগে হায়বসিগী মতাংদা করি অহেনবা ৱাখল খনবীরবগে? অশেংবা মান্না অহিংবা থৌদোকশিংগা লোয়ননা লিগদৌরিবা ৱারী অদু য়েংলিবশিংগী সেন্টিমেন্ট পুদুনা চৎলিবা ওইবনা লিরিবা ৱারীদসু, শীজিন্নরিবা ৱাহৈদুসু, উৎলিবা থৌদোক্তসু, ফিজেৎ চাকচা, য়ুম্লে কৈরৈ, শাজৎ লীচৎ, থকশি-খাশি পুম্নমক্তা য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওই। মদুগী মথৌ অদু মীয়াম্না তম্নরক্কদৌরিবনি। অদুনা ফিল্ম কুপ্লিবশিংসু অদুমঙাই, ঐনা শেৎনিংই হায়দুনা হেক্তা শেৎচিনদবা, ঐনা মসি হায়নিংই অমদি তৌনিংই হায়দুনা হেক্তা তৌশিনদবা, ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল অমদি অনীংবনা ফিল্ম অমা নমখিবা হায়বসিনা তুংদা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ফিল্ম অমা নম্লবা থৌরাং লাংলকপা হৌবদগী হৌনা কলচরেল এস্পেক্ট, সোসল রিলেভেন্সনচিংবা কয়াশিং অসি মুন্না টেবলদা খন্নবা হৌনরিবনি। উৎকদৌরিবা অসিনা মীওইবগী ৱাখলদা অমদি মীৎয়েংদা করি কায়বগে, তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসি হান্না খলহৌদনা ফিল্ম সূটিং লোকেসনদা দিস্কসন তৌরগা নৎত্রগা হেক্তা তৌশিনবা অসিনা য়াম্না অকায়বা লাকই। ফিল্মগী দিরেক্টরনা মসি য়াম্না চেকশিগদবা ওই। হায়রিবসি অমত্তা তৌদ্রে হায়না পাউথোকপদি নত্তে। শুম্নমক্তবু হায়বনি। অসিগুম্বা না-পু তাদবা থৌশিল কয়ানা ফিল্ম অমগী মরাইবক অসি য়াম্না থিহল্লি। ঐখোয়গী স্বাইদা হৌজিক চৎনদবা লীচৎ কয়া অমসু ফিল্মদা উবা ফংলি। মপানগী হায়বদি সাউথ ফিল্মদগা য়াম্না তোয়না উবা শাজৎ-লিচৎ অমদি পুন্সিগী কাঙলোনশিং, নহাশিংগী পুন্সিরোলশিং লমদম অসিগী মীয়ামগা চুশিন্নদবা মওংদা য়াম্না উবা ফংলি। মসিগীসি মতৌ তম্বনি হায়না হায়বমক নৎত্রবসু মীগী ফিল্ম উরুরগা ইন্সপিরেসন য়াম্না পীরে হায়বসিমদি চেন্নিংঙাই লৈতে। গাড়ী ময়াম য়াঙনা থৌজিনবা, মী ফূনবদা কা হেন্না হেঞ্জিনবা, মীবু হাৎপদা শীজিন্নরিবা মওং, অসিগুম্বা কয়া, নহাশিংগী হৈনবীদা য়াম্না কা হেঞ্জিন্না উশিনবা মসি লমদম অসিগদি চুশিন্নবা ৱাৎলি। হৌজিক মকোই চোমদবা হেরোবু উবা ফংজিল্লক্ত্রে, ফিল্মদগদি খরা উরবসু, অয়াম্বা মমাই মমিৎ খঙদনা মকোয় চোমশিল্লকপা য়াম্না য়াওবা উরে। মসি লমদা অসিগী মীয়ামগদি চুশিন্নদে। কোই চোমদ্রবদি হেরো শাবা য়াদবগুম লৌনরক্লিবা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী স্বাইগা চুনদে। মীগী লমদা চৎনবা চৎনবী অদু ঐখোয়গী অসিদা পুশিনবদা মরিং মরাংবা ওইনা থোকই। রিজনল ফিল্মগী কেরেক্টর কায়হন্দনা ফিল্ম নমহন্নিংই।

... *মখা মথং নোংমাইজিংদা*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।১০।২০২২ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং৫.৫০ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ৫নি পাল্লি, মতুং ৬ নি পাল্লনি।

মেষ: য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাঙবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈগনি-অখঙ অহৈগী ৱা তাউ। হকচাংদি নুংঙাইজবা, থৌনা ফুদোকপনা অফবা মফম ফংজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা ইথুং থুংদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: মরম খঙদবা থবক্তা ইচঙ থৌরুনু-অঙাওবা তাগনি। য়েৎনবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙবা পামগনু। অচুম্বা অমদি অফবা লৌশিংদি ফংগনি, লান্দনবা হোৎনৌ-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হোয়া ফগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরম অমদি ওইজবা তানবা লমদা খুৎ চাওবা নৎত্রগা হোয়া ফবা কান্নগনি। অনমদি তানগনু, মীয়াম্নদি য়াগনি, মখোয়গা লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: ফিংবা, অনম তানবা অমদি অশাওবা অমত্তা য়াদে। নোল্লুক্না মোং হাদনা থৌ পাঙনবা হোৎনৌ-নঙগী খুৎতা লোইনা তারগনি। অনৌবা আশা লাক্কনি-অফবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: চরাঙনরদি মতম মাঙগনি, অনৌবা থবক পাঙবা লুই, খুৎচাও থাগনু। খাঙবা কনবগী কান্নবা অমদি ইমুং মনুংগী মতেংনা ওইজ-ওইথক ফংবদি হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: নীংথিনা ৱাখল তান্নরদি মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি। অরু-অহেন নৎত্রগা লৈতেং অমদি মীয়াম লোয়নবা ফংবগী নুংঙাইজবদি লৈরি। হুরানবনদি মাঙহল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌদ্রদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: ফংবা য়াবা পনবগী কোক শাবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা লৈ-ঈংথনা থৌ পাঙউ। মীয়ামগদি মরী ফৈ, লন খরা চৎলসু অঙম্বনা চানবীগনি, পাঙ্গলগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: ফিংগনু-শোকপা পনবা য়াবা লৈ। মীংচৎ হেনগৎপা, তুংগী পোরম শীন্দোকপা হৈবা, পল্লম্বা লম ফংবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। য়েৎনবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওখিনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

ধনু: হরাওবা নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি য়েক্লববু ঙমজদুনা লননচিংবা চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। য়েৎনরুনু, খাঙবা কল্লু, শকখঙদবা লোয়নবা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: নচা-ননাইশিংনা চানবীগনি, পাঙনিংবা থবক পাঙবগী অমদি মীয়াম্না তেংবাঙবীবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মীৱা লৌবনা মরুপ মপাং কায়নগনি-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: শেল, মীচঙ অমদি মরুপ মপাং ফংজবা নুমিৎনি। নাইতোম হেন্না ইচঙ থৌবা অমদি অনম তানবদি তৌগনু- মীনা উশিত্তবা হেনগনি। চিন য়াঙদনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিন: থবক পাঙগনি, অফবা খোঙশাল লৈ, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, মীনা ফনা শোন্নগনি, লন চঙগনি অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কনি। অরিবা থবক্তি পল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## জিরিবামদা ইপসা অমদি কে এস এ ৱাঞ্চনা নিংঙোল চাক্কৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) জিরিবাম অমদি কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা ঙসি নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা লমদম অদুগী নিংঙোল ৭০ রোম চাক্কৌদুনা চাক্লেন চামিন্নখিবগা লোয়ননা অচম্বা খুদোলশিং তমদুনা ঈকায়খুম্নখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইপসা জিরিবামগী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম ইবোহলনা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবাম অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী হীরম খূদিংমক্তা শোত্থরবা মফম অমনি। মতম-মতমগী পানখিবা গভর্ণমেন্টশিংনা জিরিবাম অসি জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অসি অনীরক শুনা লূ-হেনবা তান্নবদা মকোক থোংবা ওইরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা চাউখৎপগী লম্বীদা য়াম্না শোত্থনা লৈরি। জিরিবাম চাউখৎহনসি হায়রবদি মফম অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংশিং নীংথিনা ফরবা মতমদতা চাউখৎপা ঙমগনি। লোয়ননা জিরিবামদা মিনিষ্টরশিং কয়ারক লাক্তুনা য়েংশিনবীরম্লবসু ঙসি ফাওবদা খেন্নবা করিমত্তা লাকপা উদ্রি। বি জে পি লৈঙাকসু চহী ৬ চঙশিল্লক্লে। অদুম ওইনমক অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কে এস এ জিরিবামগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ অচৌ, জে আই এম দব্লিয়ু এ কেগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জিনিনচিংবসু শরুক য়াখি।

## সর্ভিস তৌরকপা চহী ৩৭ মপুং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট ইনিসিএটিভকী মনুং চন্না আর এন বি এনা মণিপুর, অসাম অমদি নাগালেন্দগী মীয়ামগী ওইবা চাউখৎ থৌরাং অমসুং রিলিফ পীবগী থবক থৌরম পায়খৎলকপগী চহী ৩৭ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন, লো, লেজিসলেটিভ এফেয়র্স মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্ত; এম এল এশিং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা তমেংলোংগী এম এল এ জাংহেমলুং পানমৈসু শরুক য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট লাইভলিহুদ মিসনগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর বন্দনাসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না হৌখিবা চহী খরা অসিদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং ৩৫০দা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, আর এন বি এনা পায়খৎলল্লিবা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসিগী মতাংদা হান্নদি খঙলমদে। অদুবু আর এন বি এনা পায়খৎলল্লিবা থবক থৌরমশিং অসি থাগৎনিংঙাইনি। মখোয়না পায়খৎলল্লিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা থবকশিং কয়াগী মথক্তা কায়থরক্লবা মহৌশাগী খল কন্নবগী থবক থৌরমশিংসু য়াওই তাবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।


থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী এম এস আর এল এমগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন বন্দনানসু থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোলশিংসু ফোঙদোকখি।




Title : Salai Taretki Phiral
By : Denish Toijam
Class : III Sec : Lotus Roll No. : 7
School : SL Arena of Learning



Title :
By : Khuraijam Richard
Class : IV Sec : Jasmine Roll No. : 6
School : SL Arena of Learning



Title : Micky Mouse
By : Lairenmayum Kenila
Class : III Roll No. : 55
School : Christ Jyoti School, Mantripukhri




Title : Beerus Vs Goku
By : Lenin
Class : V Roll : 43
School : The Youngster Dynamic English School



Title :
By : Mahesh Oinam
Class : V Sec : Jasmine Roll No. : 25
School : SL Arena of Learning



Title : Ice-Cream
By : Maibam Ningthem
Class : I Roll No. : 17
School : Little Rose School, Sagolmang




Title : Air Pollution (Global Warming)
By : Ningthoujam Chetanpriya Devi
Class : VII-C Roll No. : 15
School : Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphelpat




Title : Krishna & Radha
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphelpat



Title : Superman
By : Takhellambam Maibam
Class : II Sec : E Roll No. : 3
School : Pitambara School



Title : Super Sonic
By : Osburt Phamdom
Class : I
School : DBS, Langjing



Title :
By : Pangsatabam Frederick
Class : V Sec : Lotus Roll No. : 41
School : SL Arena of Learning



Title : A Hippopotamus drawing a Scenary and a dog a rat are playing
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec : Lotus Roll No. : 22
School : SL Arena of Learning



Title : A Russian Fort
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning



Title :
By : Trisha Heikrujam
Class : V Sec : Daffodil Roll : 50
School : SL. Arena of Learning



Title :
By : Victor Longjam
Class: I Sec : A
School : John English High School, Nambol



Title : Mr. Bean
By : Laishram Hayden
Class : II Sec : C Roll No. : 7
School : Pitambara English School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।